ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০১৮-১৯

# মুম্বাই সিটিনা গোৱা এফ সীবু সেমী ফাইনেলগী অনীশুবা লেগতা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে



গোৱা, মার্চ ১২ (এজেন্সী)ঃ
গোৱাগী মরগাওদা লৈবা মল্টিপরপজ ষ্টেদিয়ম ফটোরদা ষ্টেদিয়মদা অনীশুবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩১ তাবা মতমদা য়ূম্থু গোৱা এফ সীগা মুম্বাই সিটিগা শান্নখিবা মেচ অদু মুম্বাই সিটিনা গোৱা এফ সীবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

লৈবাক অসিগী ফুটবোল মশান্নগী কম্পিটিসনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবশিংগী কাঙলূপ্তা চল্লিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) ২০১৮-১৯গী অনীশুবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি মুম্বাই সিটি অমসুং য়ূম্থু গোৱা এফ সীগা লম্বা তৌনখি।

আই এস এল ২০১৮-১৯গী অহানবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা থা অসিগী ৯দা মুম্বাইগী ফুটবোল এরেনাদা য়ূম্থু মুম্বাই সিটি অমসুং এফ সী গোৱাগা শান্নখিবা মেচ অদুদা য়ূম্থু মুম্বাই সিটিবু গোৱা এফ সীনা পাঞ্জল ৫-১দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী অহানবা সেমী ফাইনেল লেগতা গোৱাগী মখূৎতা মায়থীদুনা লাক্লবসু অনীশুবা লেগতা মায় পাক্লবা অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা কন্না তক্লদুনা শান্নরকখি। মেচকী অঙনবা মতম ৬শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর আর বাসটোসনা টিম অসিগী শান্নরোয় এ ইসোকোনা এসিষ্ট তৌরকপা বোল অমা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু মুম্বাই সিটিনা অঙনবা মতমদা পাঞ্জল ১-০দা লৈবিা ঙমখি।

গোৱা এফ সীগী মায়কৈদগীসু মুম্বাই সিটিনা মাঙজিল থানা চৎলিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা এটেক চত্থরক্তুনা ফজনা শান্নবা হৌরকখি। মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগীসু অঙনবা পাঙ্গল ফুদোক্তুনা এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা গোৱা এফ সীগী মায়কৈদগী মিদফিল্ডর জর্সি নম্বর ৫ এ জাহুৱানা মুম্বাই সিটিগী মায়োক্তা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

মেচ অদু মায় পাক্লবা গোৱাগী শান্নরোয়শিংনা মুম্বাই সিটিনা অহানবা হাফকী অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরক্লবসু অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা মুম্বাই সিটিগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মুম্বাই সিটিনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা গোৱানা ফাইনেল চঙনবগীদমক হান্না শান্নখিবা মওংদগী হেন্না ফজনা শান্নদুনা এটেক মথং মথং চঙশিল্লকখি। গোৱা এফ সীগী চত্থরক্লিবা এটেকশিং অদু মুম্বাই সিটিগী শান্নরোয়শিংনা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা মেচকী ৮৭শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী দিফেন্দর এল গোয়েননা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মিনট অসিমক্তদা গোৱাগী মিদফিল্ডর জর্সি নম্বর ৬ বোৱামোসসু ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক গোৱা এফ সীদগী চত্থরকখিবা এটেক অমা মেচকী অরোইবা মীৎকুপকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ১৪ জে লোরেনকোনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা গোৱাগী মায়কৈদগী মুম্বাই সিটিগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা মুম্বাই সিটিনা গোৱা এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

আই এস এল ২০১৮-১৯গী ফাইনেল মেচ ওইনা মুম্বাইগী ফুটবোল এরেনাদা বেঙ্গালুরু এফ সীগা গোৱা এফ সীগা থা অসিগী ১৭কী নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা থেংনরগনি।

# নেরোকা এফ সীনা ইন্দিয়াগী হান্নগী ইন্টরনেসনল ফুটবোল্লর রেনেদিবু হেদ কোচ ওইনা খনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) ঃ
লৈবাক অসিগী ফুটবোল মশান্নগী কম্পিটিসনশিংগী মনুংদা অৱাংবা থাক্কী মনুং চল্লিবা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯দা নেরোকাগী হান্নগী হেদ কোচ মান্যুএল রেটামেরো ফ্রাইলনা টিম অসিবু তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈহনখ্রবা মতুং নেরোকা এফ সীনা রেটামেরো ফ্রাইলবু হেদ কোচকী ফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুং মণিপুর মচা হান্নগী ইন্দিয়াগী ইন টরনেসনল ফুটবোল্লর রেনেদিবু অনৌবা হেদ কোচ ওইনা থৌ পুনবা খনখ্রে হায়রি।

ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৫দগী এপ্রিল ১৩ ফাওবা কুমজা ২০১৮-১৯ এদিসনগী হিরো আই লীগ অমদি ইন্দিয়ন সুপর লীগতা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা টিম ৬/৬না লৈবাক অসিগী নোক আউট ফুটবোল কম্পিটিসন অমা ওইরিবা হিরো সুপর কপ ২০১৯দা মণিপুরগী নেরোকা এফ সীবু ফজবা পার্ফোমেন্স অমদি মকোক থংবা ঙম্নবগীদমক ইন্দিয়াগী হান্নগী ইন্টরনেসনল টিমদা শরুক য়াদুনা মীংচৎ কয়া পুরকপা ঙমখ্রবা এ এফ সী 'এ' লাইসেন্স হোলদর রেনেদিবু নেরোকা এফ সীগী হেদ কোচ ওইনা খনখিবনি হায়রি।

রেনেদিনা ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা হিরো সুপর কপ অসিদা মহাক্না মণিপুরদা খ্বাইদগী অফবা টিম ওইরিবা নেরোকা এফ সীগী হেদ কোচ ওইবা ফংবা অসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইবা অমদি হরাউবা পোকই। মহাক্না শান্নবদগী পোত্থারবা মতুং তোঙান তোঙানবা এক্সপরিএন্স অমদি স্কিল কয়া খংলকই। নেরোকা এফ সী টিম অসিবু সুপর কপ অসিদা নত্তনা তুংদা অফবা টিম অমা ওইনবগীদমক মহাক্না অঙন্বা থৌনা পুথোক্তুনা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ সিক্সটিন্দা আই এস এলগী টোপ সিক্সতা লৈরিবা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌনগনি। হায়রিবা মেচ অসিদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী হেদ কোচ এলগো সতোরিগা থেংনগনি খনবদা পূক্নিংদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

# এন সমানন্দনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) গী হান্নগী এসোসিএট ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরম্বদা নত্তনা ঝরখণ্ডদা কুমজা ২০১১দা পাঙথোকখিবা ৩৪শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুর ষ্টেট কন্টিনজেন্টগী চীফ দি মিসন ওইখিবা এন সমানন্দনা মনুং মতম চাদনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এন সমানন্দনা লৈখিদবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন্না ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা ওলিম্পিক ভবন/শঙলেন্দদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রাধেশ্যাম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওফিসল কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লৈখিদ্রবনা তাইবঙ শেম্বা মপূগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

অহানবা লনগৈ ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# চীংতম শঙাকফম অমসুং ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌ ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএন এস) ঃ
স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ৱিং লনগৈনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংপোক সঞ্জেনবমগী লনগৈ স্পোর্টসকী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেল মেচ ওইনা থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা চীংতম শঙাকফম অমসুং ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌ টাইটলগীদমক থেঙ্গাইনরগনি।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লা চত্থরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা মিনট ৭০গী মেচ শান্নগনি। চেম্পিয়নদা রোল্লিং ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লাক্ষ ১ অমসুং রন্নর্স-অপতা শেলগী মনা লিশীং ৫০ ওইগনি হায়রি।

# থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএন এস) ঃ
বিহারগী পটনাদা থা অসিগী ১৪দগী ১৭ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপনা চত্থগদৌরিবা য়োনেক্স সন রাইস ওল ইন্দিয়া সেনিয়র দবলস রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯দা রেফ্রি ওইনা ওফিসিএট তৌনবা মণিপুরগী বেদমিন্টন এসোসিএসনগী নেসনল রেফ্রি গুরুঅরিবম চিত্তরঞ্জন শর্ম্মবু বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা খল্লকপদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন (এম বি এ) গী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স সন রাইস ওল ইন্দিয়া সেনিয়র দবলস রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯দা মেন্স দবল, ৱিমেন্স দবল অমদি মিক্স দবলস হায়না ইভেন্ট অহুমদা চাংদম্নগনি। হায়রিবা ইভেন্ট অহুম অসিদা মণিপুরদগী নেসনল রেফ্রি গুরুঅরিবম চিত্তরঞ্জন শর্ম্মনা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা রেফ্রি ওইনা ওফিসিএট তৌনবা খল্লকপদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা কম্পিটিসন অসিদা মায় পাক্না ওফিসিএট তৌবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# গভর্ণরস কপ পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএন এস) ঃ
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন (এম ঐচ পি আর এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ১৩দগী ১৯ ফাওবা নুমিৎ ৭নি চূপ্না চত্থগদৌরিবা ২৯শুবা গভর্ণরস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং ১৮শুবা গভর্ণরস কম ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দ (মপাল কাংজৈবুং) দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না চহী খুদিংগী লেপ্তনা পোলো মশান্না অসিবু পাকথোক চাউথোক্লবা অমদি মণিপুরগী পোনিবু নিংথিজনা ঙাক শেন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৯শুবা গভর্ণরস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং ১৮শুবা গভর্ণরস কপ ৱিমেন্ট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯দা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী শগোল পানা কয়ানা শরুক য়াগদৌরি হায়না মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন (এম ঐচ আর পি এ) গী টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ডা. টি ঐচ চা মঙ্গিলালনা খঙহল্লক্লি।

৭শুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা, নাপসা খা ইম্ফালনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএন এস) ঃ
মণিপুর ভেটরন ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা তরেৎশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমদি নাপসা খা ইম্ফালনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল মায়থীবা পীখ্রে।

টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা তরেৎশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল শান্নখি।

মেচ অদু মোদেল ক্লব চীংঙামখানা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা বোল্লিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৮৩ লৌখি। মোদেল ক্লবকী দেমিননা বোল ১৫দা রন ১৯, সিকন্দরনা বোল ২১দা রন ১৪ অমসুং বিক্রমজিৎনা বোল ২৮দা রন ১৫ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী কুমারজিৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, কুমারনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২ অমসুং সমানদনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা ওভর ৭.১ দা ৱিকেট অমত্তা তুদনা রন ৮৭ লৌদুনা মেচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ১০দা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু মায়থীবা পীখি। ৱাই দব্লিয়ু সীগী মনাওবীনা বোল ২৯দা রন ৫০ অমসুং কুমারজিৎনা বোল ১৪দা রন ২৩ লৌখি।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালবু মায় পাকপদা চাউনা মতেং ওইখিবা কুমারজিৎনা ৱিকেট ২ অমদি বোল ১৪দা রন ২৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা অমদি লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল অনীশুবা গ্রাউন্দদা নাপসা খা ইম্ফাল অমসুং দি এস য়ু ক্বাকৈথেল লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা নাপসা খা ইম্ফালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা বোল্লিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৩১ লৌখি। নাপসাগী বিপিন্না বোল ৩৯দা রন ৪৬, সোমেন্দ্রোনা বোল ২৮দা রন ২৫ অমসুং কিশোরজিৎনা বোল ২০দা রন ২২ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলগী বিশ্বরজিৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, সোমোরজিৎনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ অমসুং গ্যানেশ্বরনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা শুপ্নতগী রন ১১০ লৌদুনা মেচ অদু নাপসানা রন ২১দা দি এস য়ুবু মায়থীবা পীখি। দি এস য়ুগী বিশ্বরজিৎনা বোল ৪৬তা রন ৪১, তরুননা বোল ২০দা রন ২১ অমসুং আনন্দনা বোল ১২দা রন ১৭ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালগী রতননা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, সাইমোননা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩ অমসুং ভোগেন্দ্রোনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি। ঙসিগী অনীশুবা লীগ রাউন্দগী শান্নখিবা মেচ অদুদা নাপসা খা ইম্ফালগী সাইমননা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩ অমসুং রন ১৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

তরেৎশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চত্থরকপা অমদি লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং মোদেল ক্লব শান্নগনি। লীগ রাউন্দগী ১৬শুবা মেচ ওইনা থা অসিগী ১৪গী অহানবা গ্রাউন্দদা চেম্প অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) অমদি অনীশুবা গ্রাউন্দগী ১৭শুবা মেচতা নাপসা অমদি এল সী সী শান্নগনি।

বি বি এম মেমোরিএল ত্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# টি আর ভি এস এ মালোমনা সঙাই এফ সী থাংমৈবন্দবু ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএন এস)ঃ
পৌরাবিগী এস ব্রজবিধু অমদি সেক্তাগী দব্লিয়ু মুহিন্দ্রোবু নীংশিংবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি ভি এফ এ) না শীন্দুনা য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ভি এফ এ) গী মীৎয়েং মখাদা সী দব্লিয়ু সী নুঙ্গোইগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ত্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টি আর ভি এস এ মালোমনা সঙাই এফ সী থাংমৈবন্দবু মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ত্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ১৬শুবা অমদি ক্বার্টর ফাইনেলগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা টি আর ভি এস এ মালোম অমসু সঙাই এফ সী থাংমৈবন্দ শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী হৌনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক টিম অনীনা এটেক কয়া চত্থনদুনা তক্ল দুনা শান্নবা হৌরকখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া চত্থনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

মেচকী ২৮শুবা মিনটতা টি আর ভি এস এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৪ সুরচন্দ্রনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা মেচ অদু টি আর ভি এস এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি। সঙাই এফ সীগী মায়কৈদগীসু সুরচন্দ্রনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু টি আর ভি এস এগী মায়কৈদগী ফজরবা এটেক অমা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ ইরনকুমারনা মেচকী ২৯শুবা মিনটতা অমুক মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টি আর ভি এস এনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক সঙাই এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে মতাগুম অঙন্বা পাঙ্গল পুথোকতুনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওং অমদি টেক্লিক কয়া পুথোক্তুনা এটেক মথং মথং চত্থরকপা হৌরকখি। টি আর ভি এস এগী মায়কৈদগীসু সঙাই এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিং অদু ঙাকথোক্লবা কন্না হোৎনরবসু মেচকী ৪৫শুবা মিনটতা সঙাই এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ ভুপেন্না পেনালটিতা টি আর ভি এস এগী পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবসু মেচ অদু টি আর ভি এস এনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।



HL-B/5270/9-15



HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)



HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com